# নেদরলেন্দসনা ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে, স্বিদেননা স্লোভাকিয়া ১-০দা থোইখ্রে





আর্মষ্টরদম, জুন ১৮ (এজেন্সী):

নেদরলেন্দসনা য়ুম্লু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং আর্মষ্টরদমদা লৈবা জোহান ক্রুপ এরেনাদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মখোয়না ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে। গ্রুপ ঈগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা স্বিদেননা স্লোভাকিয়াবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নেদরলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী মেটচ অদু হৌরকপদা বোল হেন্না পায়দুনা নেদরলেন্দসনা তকশিনবা হেনখি। মখোয়গী এটেক অমদা বোল অদু ওষ্ট্রিয়াগী দি বোক্স য়ৌশিল্লকপদা কাঙলোন ৱাংমা লান্না বোল থিংনবা হোৎনরুবগীদমক রেফরিনা পেনাল্টি অমা নেদরলেন্দসতা পীখি। তাঞ্জা অদু নেদরলেন্দসকী শান্নরোয় মেমফিস দিপেনা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওষ্ট্রিয়াবু মখোয়না ঙন্না ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ওষ্ট্রিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ মখোয়গী মায়কৈদা ঙন্না চনশিল্ল-কখিবা অদুগী মতুং হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। টিম অসিনা মখোয়গী গ্রুপ সীগী অহানবা মেটচতা নোর্থ মেসিদোনিয়াবু থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা নেদরলেন্দসনা মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু য়ুক্রেনবু মায়থীবা পীরমখি। ওষ্ট্রিয়াসু পাঞ্জল হন্দোক্লবা নেদরলেন্দসকী মায়কৈদা বোল পুশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মখা তানা নেদরলেন্দসনা মখোয়দগী বোল পায়বগী চাং হেনখিদুনা কান্নবা ফংদনা লাকখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা নেদরলেন্দসনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা য়াম্না কুইদ্রিঙৈ পুংখায় ফাগদবা মিনট ৮দা ঙাইরবা মতমদা নেদরলেন্দসকী অতোপ্পা ফজবা এটেক অমদা দোনিএল মালেননা তৌরকপা ক্রোস অমদা টিমমেট দেনজেল দমফ্রাইজনা শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিল্লগা ওষ্ট্রিয়াবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা মিনটশিং অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী নেদরলেন্দসনা মেটচ অদু ওষ্ট্রিয়াবু ২-০দা থোইখিবগা লোয়নননা পোইন্ট ৬ ফংদুনা গ্রুপ অসিদগী নোক আউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ ঈগী ঙসি রসিয়াগী সিটি সেন্ট পিটরসবর্গতা স্বিদেন অমসুং স্লোভাকিয়া অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং স্বিদেননা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা ৭৭ শুবা মিনটতা ইমিল ফোর্সবর্গনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু মখোয়না থোইখিবগা লোয়ননা গ্রুপ ঈদা পোইন্ট ৪ ফংলগা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গ্রুপ দিগী ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা ক্রোএসিয়া অমসুং চেক রিপব্লিককী মেটচ অদু পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। অহানবা পাঞ্জল চেক রিপব্লিককী সিক্কনা পেনাল্টি অমগী মতেংদা ৩৭শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা ক্রোএসিয়াগীনা পেরিজিকনা ৪৭শুবা মিনটতা চনখি।

# ব্রাজিলনা পেরু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখ্রে, কলম্বীয়া অমসুং ভেনিজ্যুএলা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে





ব্রাসিলা, জুন ১৮ (এজেন্সী):

সাউথ অমেরিকাগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকা কপকী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা য়ুম্লু ওইরিবা ব্রাজিলনা পেরুবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা কলম্বীয়া অমসুং ভেনিজ্যুএলা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

অঙনবা মেটচ অদু ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা কলম্বীয়া অমসুং ভেনিজ্যুএলা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা ব্রাজিলনা ভেনিজ্যু-এলাবু মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা কলম্বীয়ানা ইক্বাদোরবু থোইখিবনি। কলম্বীয়ানা ভেনিজ্যুএলাগা শান্নবা মেটচ অদুদা বোল পায়বগী চাং হেনবা ঙম্লবসু ভেনিজ্যুএলাগী মায়োক্তা পাঞ্জল ওইবা য়াবা ফজবা তাঞ্জা ফংবা ঙমখিদে। অমরোমদা, ভেনিজ্যু-এলা অহৌবা মেটচতা ব্রাজিলগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবদগী পোইন্ট ফংহৌদবা অদু মেনখৎতুনা পোইন্ট ফংননবা কন্না হোৎনখি। শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখি।

মেটচ অদুগী মতুংদা নিলতোন সান্তোশ ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ুম্লু ব্রাজিল অমসুং পেরু লম্বা তৌনখি। মেটচ হৌবদগী ব্রাজিলনা খূদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। শুপ্পগী ১২শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী গেব্রিএল জিজসনা পীরকপা বোল অমদা এলেক্স সেন্দ্রোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা পেরুবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল ১ শোথরবসু পেরুগী মায়কৈদগী ব্রাজিলনা মখা তানা চথরকপা এটেকশিং অদু ঙাকথোকপা ঙমদুনা অহানবা হাফকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমহনখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা পুংখায় ফারমদায়দা ব্রাজিলগী ফজবা এটেক অমা ফংখি। টিম অদুগী শান্নরোয় ফ্রেদনা পীরকপা য়াম্না তাঞ্জা চাবা বোল অমদা ব্রাজিলগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় নেমারনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা পেরুবু মখা তানা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী মখা চথরকপা ব্রাজিলনা পুশিনখিবা বোলশিং পেরুগী মায়কৈদা য়ৌশিন্দুনা মখোয়গী দিফেন্দরশিং অদুবু কয়ারক হন্না অৱাবা পীখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ১তা ঙাইশিল্লকপদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী রিচার্লিসনননা ইন্থোরকপা বোল অমদা এবর্টন রিবৈরোনা ব্রাজিলগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ইঞ্জুরি টাইমগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা মখা তানা রিচার্লিসননা পাঞ্জল ১গা চল্লগা পেরুবু মখোয়না ৪-০দা থোইবা ঙম্লগা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ২দা ৬ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। ঙসি অঙনবদা দ্রো চৎখিবা কলম্বীয়া মেটচ ২দা পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

# সাইনা নিরজ চোপ্রা অমসুং ভিনেশ ফোগটপু য়ুরোপতা মখা তানা ট্রেনিং চথবা য়াহনখ্রে

মুম্বাই, জুন ১৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মিসন ওলিম্পিক সেল (এম ও সী)না ঙসি ফমখিবা মীফম অমদা য়ানখিবা মতুংইন্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মেদল ফংলক্কনি হায়না পানরিবা জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা অমসুং রেষ্টলর ভিনেশ ফোগটনা তোঙান-তোঙানবা য়ুরোপকী মফমশিংদা মখা তানা ট্রেনিং চথনবা হায়রকপা অদু অয়াবা পীখ্রে।

নিরজ চোপ্রানা থা অসিগী ৬তগী পোর্টুগালদা ট্রেনিং চথরকপা অদু স্বিদেনগী উপসালাদা মহাক্কী কোচ ডা. ক্লোজ বার্টোনেটস অমসুং ফিজিওথেরাপিষ্টকা লোয়নননা জুন ২১দগী মখা তানা ট্রেনিং চথবগী প্রপোজল অদু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরকখিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী মখাদা ওলিম্পিক সাইকলগী ওইনা ট্রেনিং অমদি কম্পিটিসনগী হীরমদা নিরজ চোপ্রাগী ওইনা লুপা ক্রোর ১.৬১ রোম চাদিং তৌরিবনি।

অমরোমদা, চহী অসিগী এপ্রিল লোইশিল্লকপদগী য়ুরোপতা বেজ তৌদুনা লৈরিবী রেষ্টলর ভিনেশ ফোগটনা মহাক্না টোকিও ওলিম্পিক গেমস চৎত্রিঙৈ মাংওইননা ইষ্টোনিয়াগী টালিনগী নুমীৎ ১০নিগী কেম্প অমসুং হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা নুমীৎ ১৬নিগী কেম্প মখা তানা য়াওননবা হায়রকখিবা অদুসু স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরকখি। মহাক্কী ওইনসু লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ১.৮১ চাদিং তৌদুনা ট্রেনিং অমসুং কম্পিটিসন য়াওরিবনি।

# নুপাগী হোক্কীগী টিম লাউথোকপদা মণিপুরগী নিলাকান্তা শর্ম্মা য়াওখ্রে, মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ন্যু দেল্লী, জুন ১৮ (এজেন্সী):

হোক্কী ইন্দিয়ানা জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদলগী অচৌবা টার্গেট অমা থল্লিবা নুপাগী হোক্কী মশান্নগী ওইনা শান্নরোয় ১৬কী মমিং লাউথোরকপদা মণিপুরদগী শংলাকপম নিলাকান্তা শর্ম্মা য়াওখ্রে। মণিপুর হোক্কীনসু মহাক্কা লোয়নননা ঙরাং পুখ্রম্বম সুশিলা চনুসু নুপীগী হোক্কী টিম লাউথোকপদা য়াওরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।



হন্দক্কী টোকিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা শান্নরোয় ১০দি মখোয়গী করিয়রদা অহানবা ওলিম্পিক্স য়াওবা ওইগদৌরিবনি। মমাংদা ওলিম্পিক শরুক য়ারুরবা গোলকিপ্পর পি আর স্রিজেশ, কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ, দিফেন্দর হর্মনপ্রিট সিংহ, রুপিন্দর পাল সিংহ অমসুং সুরেন্দর কুমার লোয়নননা ফোরৱার্দতা মন্দিপ সিংহনি। কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমস মখূঙ শোকপদগী য়াওবা ঙমখিদবা বিরেন্দ্র লাক্রা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা মমিং লাউথোরকপদা য়াওরকখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী চীফ কোচ ওইরিবা গ্রাহম রিদনা ফোঙদোরকপদা, শান্নরোয় ১৬কী অরোইবা লিষ্ট অসি থোকপদা অরায়বা থবক অমদি ওইখিদে। হোক্কী ইন্দিয়ানা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা শেম শাবা ওইনা কোর গ্রুপ খনগৎতুনা মদুগী মনুংদগী ১৬ অমুক খনগৎলকপনি। অতোপ্পা লেমহৌরিবা শান্নরোয়শিং অসিসু অফবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। অদুবু মখোয়-মখোয়গী মপাঙ্গল অমদি টেক্নিককী ওইবা লোয়নননা এক্সপরিয়েন্সকী য়েংলুরগা অরোইবা ১৬ অসি খনগৎপনি হায়খি।

টিম লিষ্ট লাউথোকপা লোইরবনিনা মখা তারকপদা অহেনবা ট্রেনিং চথদুনা অপূনবা অমা ওইনা টোকিওদা মেদল ফংবগী ৱাখলদা মায় ওনশিল্লগনি হায়রি।

মরক অসিদা, হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী হোক্কীগী টিম অসি ওলিম্পিক্সতা চাওনা রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি। হায়রিবা মতম অদু নৌহৌননা পুরকপগী মতম ওইরে। হন্দক্তা হান্নগী চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনাবু মায়থীবা পীখিবা প্রো লীগকী মেটচশিং অদুনা লম্বেল অদুদা চঙশিল্লক্লি। মখোয়গী য়াইফ থৌনীসু নীখি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুর হোক্কীগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নিকেননা শংলাকপম নিলাকান্তা শর্ম্মা অমসুং পুখ্রম্বম সুশিলা চনুনা ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইনি। লোয়নননা মখোয়না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না থৌনীখি।

# নিলাকান্তা অমসুং সুশিলা খল্লকপদা ফামনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি





ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):

জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা জপানগী টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২শুবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিমদা পোষ্টিরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুর (ফাম)দগী হৌখিবা নুপা শান্নরোয় ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ মখা লৈকাইদগী শংলাকপম ইনাওচা অমসুং কুঞ্জরানীগী মচানুপা শংলাকপম নিলাকান্তা শর্ম্মা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদগী পুখ্রম্বম সুন্দর অমসুং লাতাগী মচানুপী পুখ্রম্বম সুশিলা চনু অনীনা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমদা শরুক য়ারকপগীদমক পোষ্টিরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুরগী মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অনীগীদমক য়াইফ থৌনী পীবগা লোয়নননা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি হায়না ঙসি পোষ্টিরিয়র হোক্কী একাদেমিগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ রোমেশনা ফোঙদোরক্লি।

# মেরি কোম ইটালিগী এক্সপোজর টুরদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সরশিংগী মরক্তা য়াওরোইদৌরি



কোলকাটা, জুন ১৮ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৯না ইটালিগী এক্সপোজর টুর অমা চৎকদৌরিবা অসিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী লোয়নননা লন্দন ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট এম সী মেরি কোমদি য়াওরোইদৌরি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিমগী হাই পর্ফোর্মেন্স দিরেক্টর ওইরিবা সান্তিয়াগো নিএভানা মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী মেগাজিন অমগা ৱারী শানবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এম সী মেরি কোমনা হৌজিক-হৌজিক মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা ট্রেনিং চথরিবা অদু মখা তানা অদুম্মক চথবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখিবনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর ৮ অদুনা জুলাই ১০ ফাওবা ইটালিদা বেজ তৌদুনা কলম্বীয়া, দোমিনিকান রিপব্লিক, ভেনিজ্যুএলা, ইক্বাদোর অমসুং ফ্রান্সতগী লাকপা বোক্সরশিংসু ওলিম্পিককী শেম শাবা ওইনা মফম অদুদা কেম্প য়াওগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুনা চৎকদৌরিবা এক্সপোজর টুর অদুদা মখোয়গী স্প্যেরিং পার্টনরগী মরক্তা অফবা বোক্সর কয়া অমা থেংনগদৌরিবা অদুনা কান্নবা হেন্না ফংগনি হায়বগী পান্দমদা টুর অসি চৎপনি হায়রি।

নুপাগীদা অমিট পনঘল, বিকাশ কৃষ্ণন, মনিশ কোশিক অমসুং সটিশ কুমার য়াওরি। অদুগা নুপীগীদনা লোভলিনা বোর্গোহেন অমসুং শিমরঞ্জিৎ কোরনা ইটালিগী সিটি অসিশিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

# ভেটরান নেসনল এথলিট অমা ওইরম্বা টি ফালগুনি লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ মখা লৈকাইদা লৈবা মতম অমগী মমিং লৈরবা হেম্মর থ্রো এথলিট অমা ওইরম্বা তখেল্লম্বম ফালগুনি মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থা অসিগী ১৪দা লৈখিদ্রে।

মণিপুর ষ্টেটকীদা নৎতনা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী চেম্পিয়ন অমসু মতম শাংনা ওইখিবা ভেটরান থ্রোৱর অসি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী অচঙবা শান্নরোয় অমা ওইখি। মহাক মশাগী চহী ৮৮ শুরকপদা লৈখিদবনি।

ভেটরান এথলিট অমা ওইনা কুমজা ১৯৯০দা মালেসিয়াগী কোনুং ক্বালা লুম্পুরদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা এসিয়ন ভেটরান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরুবদা চহী ৬০দগীনা ৬৪ ফাওবগী কাঙলূপ্তা হেম্মর থ্রো অমদি দিস্কস থ্রোদা সিলভর মেদল অমমম্ লৌরকখি। মশামক লম্ফেল হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর অমা ওইনা লাইরিক-লাইশু তম্বীবতা নৎতনা মহৈরোয়শিংদা থ্রো (হেম্মর অমসুং দিস্কস)গী মশান্নশিং তাকপী-তম্বীখিবা মীওই অমসু ওইরমখি। মহাক লৈখিদবদা থ্রো মশান্না অসিগী ওইনা মণিপুরগীদা নৎতনা ইন্দিয়াগী ওইনা চাওনা মাঙজবা অমা ওইরি।

# কানাদাগী শান্নরোয় বেলিন্দা বেন্সিক জর্মন ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



বর্লিন, জুন ১৮ (এজেন্সী):

জর্মনিগী সিটি বর্লিনদা থা অসিগী ১৪দগী হৌরকখিবা জর্মন ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা কানাদাগী শান্নরোয় বেলিন্দা বেন্সিক সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০০৮দা পাঙথোকখ্রবা মতুং হন্দক পাঙথোক্লিসিনা অহানবা ওইরি। ৫শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা বেলিন্দা বেন্সিকনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রসিয়াগী শান্নরোয় অলিজান্দ্রোভাবু ৬-৪, ৪-৬, ৭-৬ (৭-৪)দা থোইরম্বনি। মহাক্না ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা ৬শুবা সিদেদ স্পেনগী জি মুগুরুজাবু ৪-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৭-৫)দা থোইরম্বী ফ্রান্সকী এলিস কোর্নেটকা সেমীফাইনেল শান্নরগনি।

জর্মনিগী হেল সিটিদা পাঙথোকপা নুপাগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা হেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপাগী দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং দিবিস সারন ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এস গাইল অমসুং জে ভ্লেজেনগী মখূৎতা ৩-৬, ৬-৭ (৩-৭)তা মায়থীহৌবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভ অমসুং জিওর্জিয়াগী নিকোলাস বাসিলাসভিলি সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। রুব্লেভনা জর্মনিগী কোল স্ক্রেবরবু মায়থীবা পীরমখি। অদুগা বাসিলাসভিলিনা সাউথ অফ্রিকাগী হেরিশ থোইরমখি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা চয়োল ৫দা ঙাইশিল্লক্লবদা মশীং য়াম্লবা ষ্টাফ অমসুং ভলন্টিয়রশিং ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে



টোকিও, জুন ১৮ (এজেন্সী):


কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়ৈথোরক্লবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌননবা শেম শারিবা অসি য়ৌগদবা চয়োল ৫ খক্তা ঙাইশিল্লক্লবদা মশীং য়াম্লবা গেমস অসিগী ওফিসলশিং অমদি ভলন্টিয়রশিং কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন ঙসিদগী কাপ্পা হৌখ্রে।

গেমস অসি হৌজিক-হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ মায়োক্লরিঙৈ মনুং অসিদা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংদা চৈথেং পীদনবা মীরমগী ভাবোক অমত্তা য়েংবগী খূদোংচাবা লৈহন্দ্রবনি। অদুবু মরক অসিদা জপানদা লৈরিবা লৈবাক অদুগী ভাবোকশিং য়েংবগী মতাংদসু শান্নবগী মফমশিং অদুদা মপূং ফানা মীৎয়েং তাবা ফংলোইদৌরি।

পনবা য়াবদি, ওফিসলশিং অসিগী মাংওইননা জপানগী ওলিম্পিক শরুক য়াগদবা এথলিটশিং মাংজৌননা ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রবনি। ইন্টর-নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা জপানগী এয়রপোর্ট ষ্টাফ লোকল মীদিয়া অমসুং ওলিম্পিক রেফরিশিং য়াওরবসু কোন্নগদবা মতীক চারবা ফাইজর/বাইও এন টেক ভেক্সিন লিশিং ৪০ দোনেট তৌরকখ্রবনি।

ঙসি টোকিওদা ভেক্সিন কাপখিবশিংগী মনুংদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী দোপিং কন্ট্রোলগী দিরেক্টর ওইরিবা চিকা হিরাইসু য়াওখি। মহাক্না ভেক্সিন অদু কাপ্পা লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখিবদা, মখা তানা ওলিম্পিক্সকী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা মশাদা থাজবগী চাং ৱাংখৎলে হায়খি। লোয়নননা মহাক্না মখা তাখিবদা, দোপিং কন্ট্রোলগী মতাংদা লৈরিবা ৱর্ল্ডগী লূপশিংগী ওইবা মেম্বর কয়া অমসু জপানদা মাংজৌননা ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা লাক্কদৌরি। জপানগী ওইনা জেনরেল পব্লিককী মনুংদা চাদা ৬ খক্তমক ভেক্সিনগী ফুল দোজ ফংলি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 144**

**GM Ding Liren (1500) - GM Dubov, Daniil (1500)**
**Lindores Abbey Final 8 chess24.com INT, 2020.05.29**

| | |
|---|---|
| 1.c4 Nf6 | 2.g3 c6 |
| 3.Bg2 d5 | 4.Nf3 dxc4 |
| 5.O-O Nbd7 | 6.Na3 Nb6 |
| 7.Qc2 Be6 | 8.Ne5 h5 |
| 9.Naxc4 Nxc4 | 10.Nxc4 h4 |
| 11.Ne5 hxg3 | 12.hxg3 Qc8 |
| 13.Rd1 Bh3 | 14.Bf3 g6 |
| 15.b4 Bg7 | 16.Bb2 Kf8 |
| 17.a4 Nh7 | 18.b5 Ng5 |
| 19.bxc6... | |

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 143 Ans. :**

47...c3 48.Rxh6+ gxh6 49.Rh8#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com